# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-3

(Factors responsible for earth climate system)

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) মনি (লৌমী (২) থানিলল (লৈকায় পাখং) (৩) চীংথং (ইনভাইরোনমেন্টলিষ্ট)

নুপী:- (১) থরোশঙ (মনিগী নুপী)
(২) হেম্বোই (লৈশাবী)

(মফম: চীংয়াগী লৌবুক, নুংশা য়ক লাওনা শাগৎলকপা মতম)

মনি :- ইস ! করি খুশানো ঙসিশিবো, ওম্বোক্লা শাখ্রেদা শজিবু থা লোয়খিবদা ঙাইরি অসুক শারবসিনদি হয়েং থৱান লাংবনদদি করম থোক্লগদবা, ইশাসু ওম্বোক্লা চোকথরে ঙসাইদগী থবী হেকপবু থুমোক অচৌবা অসিমা থনবা ঙমদ্রি (শ্বর ফুইনা ফুইনা হোনবা)।

থানিল :- (লাপতক্লা কৌরকপা) মাম্মা... মাম্মা মনি থবী হেক্লিবরো।

মনি :- (খজিক্তং শোম্থাংননা) থানিল লাওনে নঙবো সিদা, অমুক্তা লাকখোনে মাম্মা ৱা হায়গে লাও।

থানিল :- (নকশিল্লক্লগা হায়বা) করি তৌরগে মাম্মা, করি হায়বগে।

মনি :- ইবুংঙো মাম্মগী হকচাংসে করিনোমা ইতৌ তৌই, য়াম্নসু চোকথবগুম তৌরকইসিবু...।

থানিল :- নুংশা য়াম্না শাবসিনা ওইরমগনি সে ঐগী ঈশিং বোটল য়াওরকই ঈশিংসি খরা থকচিনবিয়ু মাম্মা।

মনি :- কদায় কদায় পীরকও (ঈশিং থকপগী মওং), হুম ! (শ্বর শানা হোনথবা) খনাওসিদা ঈশিং য়াউম অমত্তং হেক তাবদা হকচাংসে খরা তেকখৎকুম হেক তৌইদা।

থানিল :- মাম্মা অদুনবু ঈশিংনা থৱাইনি হায়নরিবনি, ঈশিং লৈত্রবদি ঐখোয় থৱাই পানবশিংসু মালেমসিদা অমত্তা লৈররোইদবনি। উখাসিদা ঙহাক্তং ফমখিসি মাম্মা।

| | | |
|---|---|---|
| মনি | :- | হোয় ইবুংঙো, হন্দক্কি চহিসি মওং অমা তৌদৌরিবনিকো, মমাংগী চহিশিংদগী শাবসু য়াম্না হেনগদবা মাল্লি, নোং তাগদবা মতমদনা তাদবা তারোইদবা মতমদনা হেক তাবা, মনা মশিং ফৌ চেং অমত্তা ফংনরোইদৌরিবনিকো, য়াম্না ৱানগদৌরিবনি। |
| থানিল | :- | খঙদ্রে মাম্মা অইং-অশা নোংজু নুংশাগী চাংসে মমাংঙৈগী মতমগা য়াম্না খেন্নরে, হৌজিক ময়াম্না য়াম্না তোইনা হায়নরিবা ঙাংনরিবা ক্লাইমেঙ্গ চেঞ্জ হায়বদুনা থোকহল্লক্লিবনি। অদো মাম্মা, হেস্লোইনা এম.এ.সি. ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্স, বানরস হিন্দু য়ুনির্ভসিটিদা তম্বা চৎখিবদুবু লোয়গদবা কয়াম ৱাৎলিবগে। |
| মনি | :- | লোয়দি লোয়শিল্লক্কদৌরে হায়বনি, মাগী অরোয়বা সেমেষ্টর পরিক্ষা কুইরক্তুরে হায়গুমসু তৌরকপনি, মাম্মনা হোৎনরিবসে মাগীদমক্কি, ইচেগা ইবাইগনা পীশক পীক্লা হুন্দোকপীরম্বদগী ননেগা ইবানিনা ইচা শক্লা য়োকচরক্লিবনি। ঐখোয়না লাইরিক মপুং ফানা তম্বা ফংহৌদ্রবনিনা মাদংদি মশক নাইবা মীওই অমা ওইহনগে হায়দুনা হোৎনরিবনি, খঙদ্রে খঙদ্রে ঈশ্বরনা করি তল্লিবা। |
| থানিল | :- | ঐদি লাইবক য়াম্না থিরে, ইমাগী অনাবা লায়েংনবা হোৎনবা অমদি ইনাওশিং থাক্লনবা হোৎনবদা লাইরিক মখা অদুম তমথবা ঙমদরে মাম্মা, অদুবু ঐনা হেক ঙল্লিবমখৈ ঐখোয়গী খুন অসিগী হোংলক্লিবা মহৌশাগী ফীভম কায়রক্লিবা, উমং-ৱামং কয়া কোকথোরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লনবা, কন্নবা থবক থৌরম খরদি পায়খৎকে খল্লি। |
| মনি | :- | উম পায়খৎকদবনি, ঐখোয়না মালেম অসিগী হোংলক্লিবা অইং-অশা অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ কয়া ঐখোয় মীওইবা কাঙলুপশিং অসি পুন্সিন্দুনা পুন্না হোৎনমিন্নগদবনি। ইস ! মাম্মগী কোকসিবু ঙাওফিং ঙাওফিং তৌইদা মাম্মবু য়ুমফাওবদং থিনবিরম্মু, ঙসিসি ঐগী হকচাংসে কৈনোমা ইতৌ হেক তৌইদা। |
| থানিল | :- | হোয় মাম্মা ঐ থিনজরম্মগে। |

-ম্যুজিক-

(মতম - নুমিৎ য়ুংবা মতম, মনিগী য়ুম)

| | | |
|---|---|---|
| থরোশঙ | :- | (মথন্তা শোঞ্জবা) করিনো মোয় মাম্মনা হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রিবসিনা, নুমিৎ য়ুংবা মতম ওইশিল্লক্লে, নুংশানা মরোল অমা শাগৎলকপনে করি তৌরবজাৎনো। আ থোঙ্গাল্লোমদা চংলক্লিবসিবু থানিলগা মোয় মাম্মগা নৎত্রনে। |

থানিল :- ইনে, ইনে লৈবিরম্বা য়াম্না ফরে, মাম্মসে লৌবুক্তা মশা ইচোক চোকথৈ কোক ঙাওরি ঙাওরি তৌই হায়দুনা লৈরম্মী অদুনা ঐনা হেক্তা থিনজরক্লিবনি।

থরোশঙ :- (পাখৎনা) মোয় মাম্মা কোক্তুবু কয়াম থিনা ঙাওরবগে সে সিদা ফকসিদা তপ্না অমুক্তা ফমথবীয়ুসে।

মনি :- কৈসু তৌবা নত্তেদা, পাখৎকনু পাখৎকনু, নুংশাগী মৈশানা ফুবদুদা হকচাংসে খজিক্তং চোকথবনিদা কৈশু তৌরোইদা (ফমথবগী মওং)।

থরোশঙ :- ইবুংঙো থানিল সে সে মোরাসিদা ফম্মুসে, নঙনা নোয় মাম্মসে য়ুম য়ৌনবা থিনবিরকপসি য়াম্না নুংঙায়ইরে, নঙ থেংনরমদ্রবদি নোয় মাম্মসে লৌবুক্তগা তুশিন্দুনা অশোক-অপন থোক্লম্বসু য়ারিপোৎনি।

থানিল :- ইনে সে মাম্মনা লৌবুক্তগী হেক্লকপা থবী থুম্মোকসিমসু ঐনা পুরক্লবনি।

থরোশঙ :- ইবুংঙোগী লমনসে ইনেহোয়না করম্বা মতমদা শিংবা ঙমগদবনো খঙদ্রেদা, ইনেহোয়গীদি ইচানুপা অমত্তসু পোকচদে, নচলনুপী হেম্বোইদুসু আ মপান্দা লাইরিক তম্বনি হায়না লৈথোকখ্রেদো, খঙদ্রে খঙদ্রে ইবুংঙো নোয় মাম্মগা ইনেগনা তৌগদবসি।

মনি :- (ফোন রিং লাকপা) থরোশঙ ফোন নত্রনে খিংঙিবদুবো অমুক্তা পায়য়ুনে নঙবো, কনানো অমুক্তা য়েংউ।

থরোশঙ :- হায়মা সিদি ঐখোয় ইবেম্মনি... হল্লো... হল্লো... ইবেম্মা কৈদৌরেগে নঙবো করি তৌরবগে।

হেম্বোই :- ইনে ঐ কৈসু তৌদেয়ে ঐখোয় মাম্মদি।

থরোশঙ :- লৈয়ে লৈয়ে নোয় মাম্মসু লৈয়ে, করি হায়গে হায়বনো নঙবো।

হেম্বোই :- অদুবুরো ঐ হয়েংমক য়ুমদা থোরক্কনি।

মনি :- করি হায়রিনো মানা হায়রিবদুবো করি তৌরে হায়রিবনো

থরোশঙ :- হো অদুবুরো মা হয়েং য়ুমদা থোরক্কনি হায়রিবা।

মনি :- করিনোনে হায়রিসিবো পরিক্ষা খজিক্তা ঙাইরে হায়বদায়নে মাবো, কদায় ফোন্দু ঐঙোন্দা পীরকউ।

থরোশঙ :- ইবেম্মা নোয় মাম্মগা ওইনা ৱারিদো শান্নরো। সে ফোন সিদা লৈজরে মোয় মাম্মা।

মনি :- করিনো নঙনা য়ুমদা থোরক্কনি হায়রিসিবো কদায়দগী পৈশানা থোক্লক্কদৌরিবনো, খুৎতা পায় নাতৎপী অমা ফাওবা পায়দ্রবাকানসিদা।

হেন্থোই :- অদুগীদি করিমতা ৰাবীরুরগনু মাম্মা, ঐনা য়ুমদা থোরক্তোইসে উরিপোক্তগী ঐখোয়গী সার চীংথং, ঐনা তম্লিবা য়ুনিভর্সিটিসিদা এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইনা লৈবদো মাগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স অমা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মতাংদা তৌগদৌরিবা অদু য়াওবা লাক্তোইনি, নুমিৎ ৩নি খক্তংগী লাক্তোইনি পৈশাসু সারনা লোয়না পুথোকপিদোইনি।

মনি :- হোয় হোয় ফরে ফরে অদুবু ওইরদি, ফোন থন্মগেকো।

থানিল :- মাম্মা অদুদি ঐসু অমুক য়ৌজখ্রগে।

মনি :- ফরে ফরে য়ৌরোকো ইবুংঙো।

-ম্যুজিক-

(মফম- এয়রপোর্ট, মী চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মওং, ৰারি শানবগী খোঞ্জেল, ফ্লাইট লেন্দিং তৌরকপগী মখোল)

চীংথং :- হেন্থোই লাকও, নোয়গী য়ুম খঙবা ওইনা থীনবিরম্লগে লাকও।

হেন্থোই :- সার য়ারনিদা ঐ ওটো অমা ফারগা অদুম চৎচখ্রগে।

চীংথং :- লাকওনে, হয়েং কনফরেন্সতা নঙনা পাথোক্কদবা পেপরদুগী মরমদা সুম তানা তানা চৎখ্রসি লাকও, লাকও লাকও।

হেন্থোই :- হোয় সার (গাড়ী থৌখিবগী মওং)।

চীংথং :- (গাড়ী মনুংদা) ইহান হানবদা ঐখোয়না ক্লাইমেৎ সিষ্টেম হায়বসিগী মরমদা ইন্ট্রোদক্সন অমা পীরবা অদুগী মতুংদগীদি হৌজিক্কী ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসিগী মতাংদা অমুক শন্দোক্লা তাক্লগা, স্লাইদ শো খরগা উৎলগা অদুম য়ানি খল্লি।

হেন্থোই :- সার অদুদি মালেম অসিগী ক্লাইমেৎ সিষ্টেমগী কম্পোনেন্ট ৫ হায়বদি এটমোস্ফিয়ার, হাইদ্রোস্ফিয়ার, ক্রাইয়োস্ফিয়ার, লিথোস্ফিয়ার অমদি বাইওস্ফিয়ারগী মরমদা হান্না শন্নপ্না এক্সপ্লানেসন অমা পীরম্বনা হেন্না ফজগদবা মাল্লি ।

চীংথং :- উম ! তেন্তক্লা মচা খায়না ফজনা, ক্লিয়র ওইনা তারিবা মীওইশিংদুনা ফজনা খঙনবা হায়গদবনি।

হেন্থোই :- হোয় সার । মালেম অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী ক্লাইমেৎ কন্দিসন অসি সোলর রেডিএসন হায়বদি নুংশাগী মৈশা, নুংশিৎ অমদি সমুদ্রগী ঈশিংগী করেন্টকী মখা য়াম্না পোল্লি।

চীংথং :- মানি য়াম্নমক চুম্লবা ৱাফমনি, ঐখোয়গী মালেম পৃথিবী অসি ঐখোয়গী য়ুমনি, লৈফমনি, চংজফমনি। সোলর সিষ্টেম অসিগী প্লানেট ৮গী মনুংদা ঐখোয়গী পৃথিবী অসিনা ৩শুবা প্লানেটনি অদুগা ৫শুবা খ্বাইদগী চাওবা প্লানেটনি।

হেন্থোই :- পৃথিবী অসিগী অপুনবা শরুক্কী চাদা ৭০দি ঈশিংগী শরুক্নি মসিবু হাইদ্রোস্ফিয়ার হায়না খঙনৈ, ঈশিংগী শরুক্না য়াম্না হেনবা মরম্না পৃথিবী অসিবু ব্লু প্লানেট হায়রিবা নত্রা সার।

চীংথং :- উম মানি, চহি বিল্লিয়ন ৪.৫ রোমগী মমাংদগী ঐখোয়গী পৃথিবী অমদি থা অসি মতম অমত্তদা শেম্লকখিবনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা পানরি।

হেন্থোই :- লিথোস্ফিয়ার কংফালগী শরুক, বাইওস্ফিয়ার অহিংবা থৱাই পানবা পুম্নমক, ক্রাইয়োস্ফিয়ার ঊনগী শরুক, এটমোস্ফিয়ার হায়রিবা ময়াম অসি পুল্লপ পুন্সিল্লগা মালেম পৃথিবী অসি ওইরিবনি।

চীংথং :- হেন্থোই ! এটমোস্ফিয়ার অসি নাইত্রোজেন, ওক্সিজেন, কার্বোন ডাইওক্সাইদ, আর্গোন, ক্রিপটোন, নিওন, হেলিয়ম, জেনোন অমদি ৱাটর ভেপর ময়াম অসিনা পুল্লপ তিনশিন্নরগা শেম্বনি।

হেন্থোই :- সার, হৌজিক্তি ঐখোয় মীওইবনা উমং-ৱামং কয়া কোকথোল্লকপা, ফোশিল ফ্যুইল কা হেন্না শীজিন্নরকপা মরম কয়াসিদগী নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোন ডাইওক্সাইদকী চাং অসি য়াম্না ৱাংখৎলক্কুনা গ্লোবেল ৱার্মিংগী ইশু অসি ওইরক্লিবনিকো। হায়মা সার ! ঐখোয় য়ুম য়ৌরে, ৱারী নুংঙাইমনখিদুনা য়ুম য়ৌবগা অমত্তা খঙহৌদ্রে (গাড়ী ব্রেক খংফা ফাবা)। সার ঐখোয়দা ঙহাক্তং চংলুখিসি।

চীংথং :- ঙসিদি চংলরোই, ঐ অথুবা মীটি অমা য়াওরুদবা য়াদরে চৎখ্রগে।

হেন্থোই :- ফনি সার।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, চিংয়াগী লম্পাক, নুংশিবা উচেক্কী খোঞ্জেল)

থানিল :- (ইকাইরপ কৌবা) হেন্থোই... হেন্থোই কদায় চৎলুরিনো।

হেন্থোই :- হায়মা দা থানিল, ঐ, ঐখোয়গী চিংয়াসে উদবা কুইরে হায়দুনা শুম য়েংলম্বনি দাদাদি কদায়দা চৎলুরিনো ঐখোয় অনি উনদবা য়াম্না কুইরেকো।

থানিল :- (খজিক্তং ৱারৌরপ) উম কুইরে, য়াম্না কুইরে নঙদি ঐবু নোংমতসু নিংশিংলকখিদরে নঙনা মপান্দা লাইরিক তম্বা চৎলমদাইদসু ঐঙোন্দা তাল্লমদে, ঐদি অঙাং ওইরিঙৈ ইবানিনা চীংয়া অসিদা চেন চোংদুনা শান্নমিন্নখিবশিংদো অদুম নিংশিংদুনা লৈ। ঐদি বি.এ. পাস তৌরগা লাইরিক মখাসু অদুম তমথবা ঙমখিদরে (থৱাই নুংঙাইতনা হায়বা)।

হেন্থোই :- দা থানিল ঐসু ঐখোয়গী হৌখ্রবা পুন্সি ৱারী করিগী নিংশিংলোইদৌরিবনো, ঐগী ইহৈ অসিদং মপুং ফাখিগে খন্দুনা ঐনা পুন্নমক্তগী লাপথোকপনি। হায়মা ! সিদগী সনা খোংনাঙ পান্বীদুদি (ঙক্লা হায়বা)।

থানিল :- (নুংঙাইতনা হায়বা) হন্দক শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতুনা মরু ফুক্লা থুদেকখ্রেদনা।

হেন্থোই :- অঙাং ওইরিঙৈদা খোংনাঙ মখোংদুদা ফমদুনা হকচিক লাংখিবা, খোংনাঙ মনাশিংদুনা তুপী শারগা উপ্তুনা শান্নখিবা পুন্নমকশিংদো নিংশিংলুরগা নুংশিদরা (খিত্তং পুক্লিং নুংশিনা হায়বা)।

থানিল :- য়েংঙু হেন্থোই, ঐখোয় খুনগী চিংয়াগী মোংশোংশিংসু হৌজিক্তি লোয়নমক পুমহাং হাংলে পান্বী-শিংনা অমত্তা হৌদরে লোয়নমক য়ানথৎখরে। মতম অমদা উপালশিংনা কৃক কৃক ইন্ননা হৌরম্বা ঐখোয়গী খুনসে হৌজিক্তি লৈকংলাগুল্লে।

হেন্থোই :- (শ্বর শাংনা হোন্দোক্লগা) চহি অমা অনিসিদা ঐখোয়গী খুন অসি পুমওন ওনলল্লে। উপালশিং অমত্তা হৌদ্রবনিনা শাবগী চাংশু য়াম্না হেনগৎলে। অসোম থংবা চিংমায় অসিশু মরু পুমকোক কোক্লে ।

থানিল :- নোংজুথা লাক্লনি, পান্বী শিংনা অমত্তা হৌদ্রবনিনা লৈবাক লৈহাও পুন্নমকশু লোয়না চেন্থদুনা মাঙখ্রগনি।

হেন্থোই :- দা থানিল ঐখোয় ময়াম চংদুনা খুন অসিগী হোংলক্লিবা মহৌশাগী ফীভমসে অমুক্তংদি কনবা ঙম্বরা য়েংসি।

থানিল :- উম ঐসু খনলল্লিবনি করি তৌসিগে হায়দুনা, ঐখোয় ঐখোয়না ইশা ইশাগী ইরমদম অসিবু কনবা ঙল্লবদি মালেম অসিবুশু কনবা ঙমগদৌরিবনি।

হেন্থোই :- হয়েং ঐ কনফরেন্স অমা ঐখোয় সার চীংথংগা লোয়ননা এম. য়ু. দা য়াওরুগনি অদু লোয়রগা ঐখোয়গী য়ুমদা সার চীংথং লাক্কনি অদুনা দাদাসু হয়েং ঐখোয়দা লাকপিয়ু সারগা শক খঙনহৌরোলাও অদুগা করি করিনো পায়খৎপা য়াবা প্রোজেক্ট খরা পায়খৎনবা তৌসি।

থানিল :- উম ঐ শোইদনা লাক্কে।

-ম্যুজিক-

(মতম- নুমিদাংৱাইরম, মনিগী য়ুম, নোং খাকপা লাওবা, নোং কন্না চুথরকপা)

মনি :- থরোশঙ নঙবু কৈদৌরগেনে, নোংশিসু কন্না চুথরক্লেনে, ঐখোয় ইবেন্মদুসু হৌজিক ফাওবা য়ৌরক্ত্রি মখোয়গী কনফরেন্স হায়বদুবু লোয়দ্রিবজাৎলনে।

থরোশঙ :- হো ঐ ইবেন্মাহোয় হল্লক্লগা চাননবা হায়দুনা অচা-অথক শেল্লিয়ে, চা-নুং লোল্লিয়ে, মখোয়গী সার চীংথংসু য়াওরক্কনি হায়বনি।

মনি :- (থানিল চংলকপা উবা) থানিল নঙসু লাকইবরা, লাও লাও চংলকউ লাও, নোং চোৎত্রিবরা তৌরিদুবো নঙবো, প্রপ প্রপ কাখৎলকউনে মাঙ্গোলসিদা

থানিল :- মাম্মা হেন্থোইহোয়বু লাকত্রিবরা হৌজিক ফাওবা।

থরোশঙ :- (প্রপ প্রপ থোরকপা) নোংশিসু ওন্থোক্লা তাঞ্জা চাখিদ্রে, খাকপও লাওবও নোংজুথা য়ৌগদবসু মৰাৎলি তৌরিসে, হন্দক চহিসিদি নুংশিৎনা মরোল অমা কল্লিবা খঙদ্রে খঙদ্রে তৌগদবসে, ঋতুগী মওং মতৌশু পুমওন হেক ওন্নরে, পুমকায় হেক কায়রে (গাড়ী থৌজিল্লকপগী মখোল)।

থানিল :- ইনে হেন্থোইহোয় লাকঅমাল্লে।

হেন্থোই :- (চংঙকপা) ইনে ছাতিন অমত্তা পুথোকপিরকও, ঐখোয় সারসে চোৎপা তারে।

চীংথং :- য়ারে য়ারে প্রপ প্রপ হেক্তা চংঙসি।

মনি :- ইবুংঙো চংবীরকও চংবীরকও, ঐখোয়গীসিদি লোয়ালমগা ওইশিল্লে য়ুন্বাল কৈবানগা জুগোৎ চাপোৎ নত্তেদা, সোমদা হেক্তা কাখৎপিরকও।

হেন্থোই :- ঐখোয় মাম্মনি সার, সিনা ঐখেঅয়গী ইনে, অদুগা সিদা ফল্লিবসিনা দা থানিল।

থরোশঙ :- ইবুংঙো সারনা ঐখোয়দা লেঙবীরকপসি ওন্থোক্লা নুংঙাইজরে; ইবুংঙোনা ঐগী ইমৌনুপী হেন্থোইবু লুনা চান্না তৌবিবসে ঐখোয়গীদি ওন্থোক্লা লাইবক ফখ্রে।

থানিল :- সার ঐ হেন্থোইনা তমদুনা সারগী মরমদা পুম্নমক খঙজরে তাজরে, সারদি লমদমসিগী মমিং লৈরবা ইনভাইরোন্টমেন্টলিষ্ট অমসু ওইরিবনি। ঐদি সার লাইরিকশু কা হেন্না হৈজহৌদ্রে অদুবু সারহোয়গী লমজিং মখাদা ইনভারোন্টমেন্ট অসিবু ঙাক শেন্দুনা মালেম অসিবু কনবদা থৌদাং খরদং ওইরবসু য়াজগে।

চীংথং :- থানিল নহাক্কী ৰাখল্লোন অদু থাগৎনিংঙাইহনি, নখোয়গুন্বা নহা কয়া অমা থোরল্লবাকান্দা মালেম অসি কনবা ঙমগদৌরিবনি হৌজিক মালেম অসিগী অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং কায়রকপনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম অয়াম্বদা অৰাবা খুদোংথিবা কয়া নংবা হৌরল্লবনি।

মনি :- থরোশঙ নঙবু অদুদা অদুম ফমদুনা ৰারি তাদুনা লৈরিদুবু চা-নুং চাননবগাদু পুরক্লোদনা।

থরোশঙ :- ইহে ঐদি ইকাও হেক কাওরুরে পুরকঅগে পুরকঅগে (চংখিবা)।

হেন্থোই :- উমং-ৰামং কয়া লেপ্পা লৈতনা অচৌ অচৌবা বিল্ডিং, য়ুম কৈ লম্বী থোং, কলকরখানা কয়া শেমগৎ শাগৎলক্লবা কোকথোকপা, লৌউ-শিংউনবা মফম ওন্থোরকপা কয়াসিদগী মরম চাদনা ঈশিং ইচাও থোকপা, চীং নিংখায়বা কয়া অমা থোরল্লিবনি।

থরোশঙ :- ময়াম চাসি হান্না অমুক্তা থকখিসি।

চীংথং :- (চা থক্লা থক্লা) ইং ২০০৫ তা মুম্বাইদা থোকখিবা ঈশিং ইচাও, উট্টরাখন্দা ইং ২০১৩দা, জম্মু অমদি কাশ্মীরদা ইং ২০১৪দা, চেনাইদা ইং ২০১৫দা থোকখিবা ঈশিং ইচাওশিং অসি মহৌশানা লৈজরম্বা উমং-ৰামংগী শরুক কয়া মাঙহল্লকপদগী থোক্লকখিবনি। হায়রিবা ঈশিং ইচাওশিং অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সিসু মাঙহনখ্রবনি।

হেন্থোই :- মালেমসিগী শাবগী চাং অসি অসুম-অসুম হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা অন্তাটিক আইসবার্গ, ঊন মপাকশিং কা হেন্না শৌদোরকপনা মরম ওইরগা সমুদ্র ইমায় অসিসু অশুম-অশুম ৰাংখৎলক্লি। মতম খরগী মতুংদদি মালেম পৃথিবী অসি কংফালগী শরুক অমত্তা লৈরক্তবসু য়াই।

থানিল :- সার ! মালেম অসিবু কনগে হায়রবদি ঐখোয় মীওইবা পুন্নমক্লা গ্যান তামিন্নদুনা হোৎনমিন্নবা তাই।

চীংথং :- ৰারীসু য়াম্না নুংঙাইরি অদুবু মতমসি থেংজিনলক্লে, ঐসু অমুক চৎনবা তৌরগে, হেন্থোই হয়েং অঙনবগী ফ্লাইট টিকেট ককখ্রবনি এয়রপোর্টতা পুং ৮ ফাওবদা য়ৌরকও ঐ এয়রপোর্টতা অদুম ঙাইরল্লগে।

হেন্থোই :- ফনি সার।

মনি :- অদুদি অমুক য়ৌরোকো ইবুংঙো।

থরোশঙ :- শুম লৈজহৌরগে ইবুংঙো (গাড়ী থৌখিবা)।

মনি :- লাকও থরোশঙ ঐখোয়সু ইমুংদা ঙহাক্তং পোথারুরসি (চংখিবা)।

থানিল :- হেন্থোই নঙ হয়েং অমুক চৎপা তারবা (নুংঙাইতনা হায়বা)।

হেন্থোই :- উম ঐগী অরোইবা সেমেষ্টর ইগজাম কুইদরে, হন্দক্কী অরোয়বা ইগজামসি থারন্নগা য়াম্না থুনা অমুক থোরক্কে অদুগা ঐখোয় খুনগী অকোয়বসে পুমকোয় কোয়না উপান্বী ময়াম থামিন্নসি।

থানিল :- তেকখ্রবা খোংনাঙ পন্বীদুগী মফম অদুমক্তদা নঙ ঐগী নিংশিং খুদম ওইনবা খোংনাঙ পান্বী অমতংদি থাশিকো।

হেন্থোই :- দা থানিল।

-ম্যুজিক-